# ঝরখন্দদা এনটিপিসি প্লান্টকী মপানদা পুলিসকা খুৎ থোক্নখিবদা মীওই ২৭ অশোক অপন নঙখ্রে

রাঞ্চি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
ঝরখন্দগী চত্রা দিষ্ট্রিক্টকী চন্দৱাদা নেসনেল থর্মেল পৱার কোর্পোরেসন (এনটিপিসি) গী প্লান্ট অমা শানবা পায়খৎলিবা থবক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা লোকেল মীওই অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ অশোক অপন নঙখ্রে।



প্লান্ট অদু শাবগী মায়োক্তা লোকেলশিংনা হৌখিবা থা ১৪ চুপ্না প্রোটেষ্ট চথরকখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা এনটিপিসি প্লান্ট অদুগী মপানদা খোইরাং খোইশাওনরবা মীওই কাঙবু অমনা ট্রক অমদি টু হ্বিল্লর তরাগী মথক্তা মৈ থাদোকখি।

নোর্থ চোতানাগপুর দিভিজনগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার অমসুং সেনিয়ার পুলিস ওফিসারশিং খুদক্তা ইরাং থোক্লিবা মফম অদুদা চঙশিনখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এমএলএ কয়ানা থৌদোক অদুগী মতাংদা ঝরখন্দ এসেমব্লিদা চরাংনবা থোকহনখি। মদুগী মতুংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখৎলকখিবা খোঙথাং অমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌখি।

টানৱাদা পায়খৎলক্লিবা এনটিপিসি প্লান্ট শাবগী থবক অদু কুমজা ১৯৯৯ দগী হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মদু মপুং ফানা ওপরেস্নেল ওইদ্রি। প্লান্ট অসিবু লিংনবগীদমক মশাগী লমশিং লৌশিনবীখ্রবা মফম অদুগী মীওইশিংনা শেলগী কম্পেন্সেসন, রিহেব্লিটেসন অমসুং থবক দিমান্দ তৌরদুনা হৌখিবা চহী ২০রোম চুপ্না প্রোটেষ্ট তৌরকখি। লোকেলশিং, এনটিপিসি মেনেজমেন্ট, পুলিস অমসুং লোকেল এদমিনিষ্ট্রেসনগী মরক্তা তোইনা খুৎ থোক্নদুনা লাকখি।

দিমান্দ কয়াগী মতাংদা ওথোরিটিশিংদা এগ্রিমেন্ট কয়া খুৎয়েক পীনখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা মেটর অসি লৈখায় তাবা ঙমদনা লৈরি। হৌখিবা থা ১৪ রোম অসিদা প্লান্ট অদুনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা য়াম্লবা লোকেলশিংনা এনটিপিসি প্লান্ট অদুগী মপানদা প্রোটেষ্ট তৌরকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা কেমিকেলশিং য়াওবা টেঙ্কর অমা এনটিপিসি প্লান্ট অদুদা য়ৌরকখি। টেঙ্কর অদু প্রোটেষ্ট তৌরিবা মীওইশিংনা চঙবা থিঙখি। পুলিসনা মীওইশিং অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদা মখোয়না পুলিসতা নুঙ লংশিল্লকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা পুলিসনা লাঠি চার্জ তৌবগা লোয়ননা খোইরাং খোইশাওনরবা মীওইশিং অদুদা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপশিনখি।খোইরাং খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা থর্মেল পৱার প্লান্ট অদুগী মপানদা গাড়ী তরা হেন্না মৈ থাখি। গাড়ীশিং অদুদা এনটিপিসিগী গাড়ী নিপানসু য়াওখি।

প্রোটেষ্টরশিং অদুনা প্লান্ট অদুবু শাবগী থবক্তা আউটসোর্স তৌবা কম্পেনিগী ওফিসশিংদসু এটেক্ট তৌখি অমসুং মখোয়না প্রাইভেট প্রোপর্টিদসু অমাঙ অতা থোকহনখি।

অশোকপা মীওই ২৭ তুগী মনুংদা মীওই তরেৎকী ফিভম লুনা লৈ অমসুং ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা মখা তাবা ট্রিটমেন্টগীদমক ডাক্তরশিংনা রাঞ্চিদা রিফর তৌখি। লোকেলশিংগী প্রোটেষ্ট অদুনা মরম ওইদুনা এনটিপিসি অমসুং মসিগা খুৎশম্নমনা থবক তৌরিবা ফার্মশিংগী লূপা ক্রোর কয়াগী পোৎচৈশিং মাঙ তাকখ্রে হায়রি।

# দিল্লিদা দ্রোন শীজিন্নরগা ফেক্তরি মৈ চাকপগী ফিভম য়েঙশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা নেসনেল কেপিটেলগী ভৱানা এরিয়াদা প্লাষ্টিক ফেক্তরি অমা মৈ চাক্লকপদগী দ্রোন শীজিন্নরগা মৈ চাকপগী ফিভম খঙনবা হোৎনখি হায়না ফায়র দিপার্টমেন্টগী ওফিসিএল অমনা ফোঙদোকখ্রে।



ওফিসিএল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা অয়ুক পুং ৭.৪০ রোম তাবদা নোর্থ দিল্লিগী ভৱানা ইন্দষ্ট্রিয়েল এরিয়াগী সেক্তর-৫, দিএসআইদিসিদা লৈবা প্লাষ্টিক ফেকরি অমদা মৈ চাকপগী থৌদোক থোরকপদগী পাউ পীরকখি।

পাউ অদু হেক ফঙবগা ফায়র টেন্দর ১৫ খুদক্তা থৌদোক থোকফমদা থাজিনখি। মৈ অদু য়াম্না চাওনা চাকখিবনা অহেনবা ফায়র ইঞ্জিনশিং মফম অদুদা থাজিনখি। পুন্না ফায়র টেন্দর ২৫ সু শীজিন্নখি।

দিল্লি ফায়র সার্ভিসকী চীফ অতুল গর্কনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা মৈহৌ লাংপোক অদু লাকশিন্নবগীদমক ফায়রমেন ১০০ রোম দিপ্লোই তৌখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মৈহৌ লাংপোক্কী থৌদোক অসিদা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবদি ফায়র দিপার্টমেন্টনা দ্রোন শীজিন্নরগা মৈ চাকপগী ফিভম কুপ্না য়েংশিনখিবা অসিনি। দ্রোন শীজিন্নবা অসিনা কোওর্দিনেসন অমসুং রিছোর্স য়ুটিলাইজেসনদা মতেং পাংই।

ওফিসিএল অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি শাথিরবা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা মী শিবা নত্রগা শোকপনচিংবা য়াওখিদে। অদুম ওইনমক লন থুমশিংদি মাঙ তাকখি।

মৈহৌ লাংপোক অদু করম্না থোক্লকখিবনো হায়বা অসি খঙবা ঙমদ্রি। মীয়াম্না ফেক্তরি অদুদগী অমুবা মৈখু থানা কাখৎলকপা উৎখি। রিপোর্ট অসি ফাইল তৌবা মতমদা চাক্লিবা মৈ অদু মুথৎনবগী প্রোসেস চথখি। তৌইগুম্বসুং ওফিসিএল অমনা হৌজিক ফিভম লাকশিল্লে হায়রকখি। হৌজিক ফায়র ইঞ্জিন তরুক্না মৈহৌ লাংপোক অদু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনরি অমসুং অতৈ অহেনবা ফায়র ইঞ্জিনশিংসু কৌখ্রে হায়নসু ওফিসিএল অদুনা ফোঙদোকখি।

আউটর দিল্লিগী নারেলাদা লৈবা ফেক্তরি অমা মৈ চাকখ্রবা মতুং নুমিৎ তরুক্নি কান্নরগা থৌদোক অসি থোক্লক্লিবনি হায়না সোর্স অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লৈবাক অসিদা ফ্যুএলগী অৱাৎপা লৈহল্লোই: হর্দিপ সিংহ পুরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
ষ্টেট মঙাগী এসেমব্লি মীখল লোইরবা মতুংদা পেট্রোলগী মমল হেনগৎলক্কনি হায়না ঙাঙনরিবা কয়াগী মতাংদা য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হায়খ্রে, মদুদি লৈবাক অসিদা ফ্যুএলগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি।



ন্যু দিল্লিদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা পুরিনা হায়খি, মদুদি কংগ্রেস পার্টিনা পাল্লিখৈঙে মতমদা পেট্রোলিয়মগী মমলগী রিগুলেসনশিং চৎনহনখিদবনি। হন্দক্তা কংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ইস্যু অসিগী মতাংদা গভর্নমেন্টদা এটেক্ট তৌখি।

রাহুল গান্ধীনা পেট্রোল টেঙ্কশিং খুদক্তা থলহল্লু, মোদি গভর্নমেন্টগী ওফর লোইগদৌরে হায়খিবনি। পুরিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা ওক্তোবরদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা সিভিক ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি। মার্চ ১ দগী কর্মসিয়েল এলপিজিগী সিলিন্দরগী মমল লুপা ১০৫ হেনখ্রে। কর্মসিয়েল সিলিন্দরশিংগী মমল হেনগৎপা অসিনা হোটেল অমসুং রেষ্টুরেন্ট মপুশিংদা চৈথেং চাওনা পী। হান্না লুপা ১৯০৭ পীরম্বা কেজি ১৯ লুম্বা কর্মসিয়েল এলপিজি সিলিন্দরগী মমল হৌজিক লুপা ২০১২ দা য়োন্নরে। ষ্টেট মঙাগী মীখল লোইরবা মতুংদা দোমেষ্টিক এলপিজি, দিজল অমসুং পেট্রোলগী মমল হেনগৎলকপা য়াই হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরিবনি।

হন্দক্তা রিলিজ তৌখিবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মীখলগী প্রোসেস মপুং ফানা লোইরবা মতুংদা পেট্রোল অমদি দিজলগী মমলশিং লিটরদা লুপা ১৫ দগী ২২ ফাওবা হেনগৎলকপা য়াই। দিৱালিগী মতমদগী পোৎশকশিং অসিগী মমল হোংদনা লাকপনি।

ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা হৌজিক শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল বেরেলদা দোল্লর ১১৭ য়ৌরে। এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না করিগুম্বা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লান মখা চথবা তারবদি শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল বেরেলদা দোল্লর ১৮৫ য়ৌরকপা য়াই।

# য়ুক্রেনগী সিটি সুমিদা পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী মতাংদা ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনদা হঞ্জিন হঞ্জিন আপিল তৌরবসু য়ুক্রেনগী সিটি সুমিদা লাংদা থুবগুম থোরকপা য়াদনা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিংগীদমক্তা খুদোংথীবা নঙলোইদবা কোরিদোর অমা শেমদবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।



হৌজিক ফাওবদা ফ্লাইট ৮০ হেনবদা অতৈ ইন্দিয়ান লিশিং ২০ য়ুক্রেনগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী হোন্দোকখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ুক্রেনগী হ্যুমেনিটরিয়ানগা মরী লৈনবা ফিভমগী মতাংদা খন্নবদা শরুক য়ারদুনা ইন্দিয়াগী পর্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব টিএস টিরুমুর্তিনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলদা হায়খি, মদুদি নাকল অনীমক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন তক্লখিবা লৈরবসু সুমিদা পন্দুনা লৈরিবা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংগী খুদোংথীবা নঙলোইদবা কোরিদোর লৈহন্দবসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদা মখা তানা লৈহৌরিবা ইন্দিয়ান নেসনেলশিং য়াওনা মরাল লৈজদবা সিভিলিয়ন পুম্নমক অশোয় অঙাম য়াওদনা অমসুং অয়েৎ অপন লৈহন্দনা থুনা থোরকহন্নবা ইন্দিয়ানা অমুক হন্না তকশিল্লি।

খন্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা রসিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব বালিসি নেবেঞ্জানা হায়খি, মদুদি মোস্কোনা হয়েংমক সুমি অমসুং য়ুক্রেনগী অতৈ সিটিশিংদা পন্দুনা লৈরিবা সিভিলিয়নশিং খুদোংথীবা নঙদনা থোরকপা য়ানবা কোরিদোর অমা ওফর তৌরি।

মোস্কোদা গভর্নমেন্ট ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা কোরিদোর অদুনা সুমিদগী থোরক্কদৌরিবা মীওইশিং অদু রসিয়া য়ৌহনগনি। সিভিলিয়নশিংনা চৎকদৌরিবা লম্বীদা কিভ অমসুং মোস্কোগী মরক্তা সেল কাপ্নবনা মরম ওইদুনা রসিয়ন বোর্দরদগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্না লৈবা য়ুক্রেনগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লৈবা সুমিদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয় ৭০০ রোম হোন্দোরকপগী থবক লেপখিবনি। য়ুক্রেনগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব সর্গি কিসলিটসিয়ানা রসিয়াবু সিভিলিয়নশিং চেন্থোকপা য়াদনবা সুমি য়াওনা অতৈ মফম কয়াদা এটেক্ট চথৈ হায়না মরাল শীখি।

পন্দুনা লৈরিবা সিভিলিয়নশিং লান নঙলিবা মফমশিংদগী থোরক্নবা হোৎনবদা কনানা অপনবা পীবগে হায়বগী মতাংদা কিসলিটসিয়া অমসুং নেবেঞ্জানা মরাল শীন্নরিঙৈদা মোস্কোনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদোংথীবা নঙলোইদবা কোরিদোরশিং ওফর তৌরকখিবনি।

কোরিদোরশিং অদুদা সিভিলিয়নশিংনা অয়েৎ অপন অমত্তা য়াওদনা চৎপা য়াগনি। তৌইগুম্বসুং মোস্কোদা ওথোরিটিশিংনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্টনা সুমিদগী থোরক্কদৌরিবা সিভিলিয়নশিং অদু রসিয়াদা থুংগদৌরিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

কাউন্সিলদা ব্রিফ তৌখিবা য়ুনিসেফকী একজিক্যুটিব দিরেক্তর কেথরিন রুসেলনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদা লাননা অঙাংদা শোকহল্লিবশিং অদু মোরেলগী ৱাফমদা য়াম্না তৌফম থোক্তবশিংনি।

য়ুএন রিফ্যুজি এজেন্সিগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা লান্দাদুনা য়ুক্রেনদা লান হৌখিবদগী পুন্না মীচম ১২০৭ শিখ্রে। শিখিবশিং অদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অঙাং ২৭ য়াওখি। অশোক অপন নঙলবা অঙাংগী মশিংনা ৪২ নি।

# হিজাবকী ৱাথোক্তা কর্নাটকাগী কংগ্রেস লিদর হায়দ্রবাদতা ফারে

বেঙ্গলুরু, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
হিজাবকী মতাংদা ৱাথোক লাক্লিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগীদমক্তা কংগ্রেসকী লুচিংবা মুকরম খান হায়দ্রবাদতগী ফারে হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কর্নাটকা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।



হিজাবকী ৱাথোক্কা মরী লৈননা প্রোটেষ্ট তৌরিঙৈ মনুংদা খাননা কাঙলুপ অমদা কাইহৌগদবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

মহাক্না ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবগী ভিদিও ভাইরেল ওইখি। ভিদিও অদুদা মহাক্না হায়খি, মদুদি মহৈরোয়শিংনা হিজাব শীজিন্নবদা য়ানিংদবা মীওইশিং অদু থাংনা মচেৎ কয়া থোক্না খায়গদবনি।

মহাক্না গভর্নমেন্টদা সেদাম সিটিদা ফেব্রুৱারী ২৬ তা মহাক্কী মায়োক্তা সেদাম পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখি। কেস অদু রেজিষ্টার তৌরবা মতুং খান য়াম্না থুনা লোৎখি অমসুং মহাক্না কলাবুরাগী দিষ্ট্রিক্ট কোর্টতা বেল পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।পুলিসনা মহাকপু হায়দ্রবাদতা ফাখি। তৌইগুম্বসুং মহাক হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা এদমিট তৌখি। হিন্দু ওর্গনাইজেসনশিংনা একুজ অসিগী ৱারোলশিং কন্দেম তৌখি অমসুং মহাকপু খুদক্তা ফানবা দিমান্দ তৌখি। পুলিসনা আইপিসিগী সেক্সন ১৫৩, সেক্সন ২৯৩ অমসুং সেক্সন ২৯৮ কী মখাদা মহাক্কী মায়োক্তা কেসশিং রেজিষ্টার তৌখি।

উদুপি পি-য়ুনিভর্সিটি গার্লস কলেজকী মহৈরোয় তরুক্না প্রোটেষ্ট পাঙথোকপদগী হৌরকখিবা হিজাবকী ৱাথোক অসি ষ্টেট অসিদা মরু ওইবা ৱাথোক অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা অকায়বা লাকখি।

ষ্টেট অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংনা ক্লাস রুমশিংদা হিজাব শীজিন্নবগী রাইট ফঙহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা ষ্টেট শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চথখি। ইস্যু অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা স্পিসিয়েল বেঞ্চ অমা শেমখিবনি। বেঞ্চ অসিনা মেটর অসিগী জজমেন্ট রিজার্ব তৌখ্রবনি।

# তামিল নাদুগী নহা অমা রসিয়াগা লান্থেংনবা য়ুক্রেনিয়ন আর্মিদা য়াওখ্রে

চেন্নাই, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ান আর্মিদা চঙনবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রবা চেন্নাই সিটিদা লৈবা মশাগী চহী ২১ রোম শুরবা নহা অমা য়ুক্রেনিয়ন আর্মিদা য়াওখ্রে হায়রি।

মহাক য়ুক্রেনদা লান্দারিবা রসিয়ন ট্রুপশিংগা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংগা লান্থেংনবগীদমক য়ুক্রেনগী আর্মিদা চঙখিবনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা চেন্নাইগা নক্নবা থুদিয়ালুরদা লৈবা সাইনিকেস রভিচন্দ্রন কৌবা নহা অদুগী য়ুমদা চৎতুনা মহাক্কী অকুপ্পশিং লৌনবা হোৎনখিবা সেন্ট্রেল ইন্টিলিজেন্স ওফিসিএল খরনা ৱাফমশিং অসি খঙলকখিবনি।

মহাক্কী হকচাং ৱাংবগী চাং ৱাৎপদগী ইন্দিয়ান আর্মিনা সাইনিকেসপু অনীরক রিজেক্ট তৌখি। মহাক্না অমেরিকান আর্মদ ফোর্সেসতা চঙননবা য়ুএস কন্সুলেটতা ফাওবা চত্তুনা হায়জখি। তৌইগুম্বসুং কান্নবা ফংখিদে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি।





সাইনিকেসকী অহল লমনশিংনা ওথোরিটিশিংদা ফোঙদোরকখিবদা মহাক লান থোক্লিবা য়ুক্রেনদা এরো স্পেস ইঞ্জিনিয়ারিং তম্লম্বনি। লৈবাক অদুদা রসিয়ানা লান্দাদুনা লান থোক্ত্রিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক ভিদিও গেম দিভলপ্পিং কম্পেনি অমদা থবক ফঙখি।

য়ুমদা হল্লক্নবা হায়বদা য়াদবদগী মীপায়রবা মমা মপাশিং অদুনা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টদা সাইনিকেসকী খোঙ্গুল লীবিদুনা ইন্দিয়াদা পুবিরক্নবা আপিল তৌখি। মহাক কুমজা ২০১৮ দগী খর্কিপতা লৈবা নেসনেল এরো স্পেস য়ুনিভর্সিটিদা এরো স্পেস ইঞ্জিনিয়ারিং তম্লকখি।

মহাক পেরা মিলিটরি য়ুনিট ভলন্টিয়ারশিং য়াওবা জোজিয়ান নেসনেল লেজনদা য়াওদুনা রসিয়ানশিংগা লান্থেংনরিবনি।

# লম য়েৎনবদগী নুপা অমনা মনাওনুপা অমসুং মখুরা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখ্রে



থিরুবনন্তপুরম, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
লমগী য়েৎনবা অমনা মরম ওইদুনা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা নুপা অমনা মহাক্কী মনাওনুপা অমসুং মখুরা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা কেরলাগী পোটর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কাঞ্চিরাপাল্লিদা করিম্পানাল ফেমিলিগী য়ুমদা থোকখিবনি।

করিম্পনাল ফেমিলি অসি জেনরেসন কয়া প্লান্টেসন ফার্ম তৌদুনা লাকখি। কোটম দিষ্ট্রিক্টকী চীংগী এরিয়াশিংদা মখোয়গী ইষ্টেট অমদি রিজোর্টশিং লৈ।

পুলিসকী মতুং ইন্না কোচিদা লৈবা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা জোর্জ কুরিয়ন রিয়েল ইষ্টেট বিজিনেস তৌই অমসুং হৌজিক কোভিদ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা অরুবা ফিভমদা লৈরিবনি।

মহাক হৌখিবা চয়োল অসিদা মহাক্কী অহল লমনশিংনা থল্লম্বা য়ুমদা লাকখি অমসুং মমা মপাশিংগা লৈমিন্নখি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মচিন মনাওশিংগী মরক্তা লমগী মতাংদা কন্না য়েৎনরকখি। জোর্জনা মখোয়গী লম একর অনী য়োনবা পামখি। তৌইগুম্বসুং মদুবু মশাগী চহী ৫০ শুরবা মনাওনুপা রেঞ্জু কুরিয়নননা য়েৎখি। কন্না মরৈৎ য়েৎনরবা মতুংদা জোর্জনা মহাক্কী লাইসেন্স রিভোলবর পুথোক্লগা রেঞ্জু অমসুং মহাক্কী মখুরাদা অনকপা রেঞ্জুতগী কাপখি হায়রি।

# অন্দর ট্রাইএল শিখিবগা মরী লৈননা জেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সস্পেন্দ তৌখ্রে

পটনা, মার্চ ০৮ (এজেন্সী):
অন্দর ট্রাইএল প্রিজনর অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিখিবদগী বিহার পুলিসনা নৱাদা দিষ্ট্রিক্টকী জেল সুপরিটেন্দেন্ট সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না পুলিস ওফিসিএল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অন্দরট্রাইএল প্রিজনর গুদু সিংহ দিসেম্বর ৬ তা সদর হোস্পিটালদা শিখি। মহাক য়ু স্মগল তৌবগী চার্জশিং মায়োক্লখি অমসুং কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা রাজউলি চেক পোষ্টতা লোকেল য়ু লিটর ৪০ গা কোন্ননা ফাখি। নৱাদা জেল ওথোরিটিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না গুদু সিংহ চয়োল খরা মশা নাখি।

মহাক দিসেম্বর ৬ তা সদর হোস্পিটালদা পুখৎখি। হোস্পিটাল অসিদা মহাক লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী ইমুংগী মীওইশিংনা মহাক্কী হকচাংগী মপান থঙবা শরুক্তা অশোকপা মফম কয়া থেংনখি অমসুং জেলগী হায়র ওথোরিটিশিংদা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি। মদুদগী নৱা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট (দিএম) য়াস্পল মিনানা লুচিংবা টিম অমা ইনভেষ্টিগেসনগীদমক শেমখি।

ইনভেষ্টিগেসন মনুংদা জেল ওথোরিটিশিংনা লৌখিবা থৌদাং চিংননিংঙাই ওই হায়বগী ইঙ্গিৎ খঙখি।

লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী পোষ্ট মোর্টেমনসু মহাক্কী হকচাংদা ফিভম থিনা শোকপগী মফমশিংসু লৈরম্বা থেংনখি।

**KHURKHUL STANDARD ENGLIGH SCHOOL**
**KHURKHUL**

**/ TEACHERS WANTED**

| Sl.No. | Name of the post | No. of post | Qualification |
| --- | --- | --- | --- |
| 1. | Rhyme Teacher | 1 | 10+2/Graduate with trained in Rhyme Teaching. |
| 2. | Primary Teacher | 1 | 10+2/Graduate |
| 3. | Primary Teacher (Hindi) | 1 | 10+2/Graduate |

*Desirable : D.El.Ed. *Pay : Negotiable
*Last date of submission of Application - 12th March, 2022
(Office hour -11am to 2 pm)

HL-P/1687/9

**Sd/- Vice-Principal**

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR : IMPHAL**

**/ CONDOLENCE MESSAGE**

The members of the University community in a condolence meeting held on 08.03.2022 expressed deep sorrow on the sudden demise of Dr. Aheibam Koireng Singh, Project Officer, IQAC of this University on the 05.03.2022 and prayed the Almighty to give strength to the bereaved family to bear the loss.

The members stood in silence for one minute as a mark of respect to the departed soul.

The meeting resolved to send the condolence message to the bereaved family.

**Sd/- David K. Zote**
Registrar i/c

HL-B/7524/9